# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-02-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৮-০২-২০২৫, (লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভকী পরিক্ষা মতম অসিদা মৈ চাং নাইদবনা মহৈরোইশিংদা খুদোংচাদবশিং থোকহল্লে হায়না ফোঙদোকরক্লি।

২) সেক্যুরিতি চেক পোইন্ট ১১০ হাংদোক্কুনা চেক তৌরি, গারিশিংদগী তিন্তেট ফিল্ম লৌথোকপগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি।

**অমসুং**

৩) পরিক্সা পে চর্চা ২০২৫গী অনৌবা ইপিসোদ ঙসি ফোঙলগনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**পুলিস(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবা অমসুং এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি। লম্বগী মফম কয়াদসু মোবাইল চেকপোষ্টশিং হাংদোক্তুনা গারিশিং চেক তৌবা অমসুং তিন্তেট ফিল্ম নপ্পা গারিশিংদগী তিন্তেট ফিল্ম লৌথোকপগী থবকসু লেপ্তনা চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়-চেক পোইন্ট ১১০ তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হাংদোক্তুনা চেক তৌবগী থবক চথুরি।

**ফায়র(এল) ঃ** মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্ট অমদি লম্ফেলপাৎতা লৈবা মেদিকেল দাইরেক্তোরেটকী কোলেজ ওফ নর্সিং অনিনা খূৎশমদুনা নোংমগী ওইবা দিজাস্তর মেনেজমেন্ট দ্রিল ফোর দিজাস্তর প্রিপেয়র্দনেস হায়বা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফালদা লৈবা ফায়র সর্ভিসকী হেদক্বাতরসদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, এম.এস.সি অমদি বি.এস.সি নর্সিং তম্লিবা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**এআর(এল) ঃ** ভারত লান্মীনা বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈতানপোকপীদা স্কিল দিভলপমেন্ট সেন্তর অমা হাংদোকখ্রে। হায়রিবা সেন্তর অসিদা ইলেক্ত্রিক্টনা চলাইবা অমদি মেন্যুএল সিৱিং এন্দ এম্ব্রোইদরি মেছিন ২২ লৈ। সেন্তর অসি ৱিমেন এম্পৱরমেন্ট অমদি কম্ম্যুনিতি দিভলপমেন্টকী শেন্থং মখাদা ভারত লান্মীনা হৌদোকখিবনি। লৈতানপোকপীগী প্রধান-অনন্দিনা থৌশিল অসিবু শিংথারদুনা থৌশিল অসিনা নুপী ওহবশিংদা থবক পীবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

**হেল্থ(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতিনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এনিমিয়া মুক্ত ভারত অমসুং সান্স কেম্পেইনগী ত্রেনিং অমসুং ওরিয়েন্তেসন

প্রোগ্রাম অমা ঙসি কোলেজ ওফ নর্সিং লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকখ্রে। মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী স্তাফ, মেদিকেল ওফিসর ইন-চার্জ, দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর, দিষ্ট্রিক্ট দেতা মেনেজর, আই.সি.দি.এসকী সুপরভাইজর, জেট ঈ ও জোন ৱান অমসুং জেট ঈ ও ৱাঙ্গোইগী স্তাফশিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**পরিক্সাঃ** পরিক্সা পে চর্চা ২০২৫গী অনৌবা ইপিসোদ ঙসি ফোঙলগনি । প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়-পরিক্সা পে চর্চাগী অনৌবা ইপিসোদ অসিদা এগজাম ৱারিয়রশিংনা পরিক্ষাগী স্ট্রেস অমদি এঞ্জাইতিবু খুদুমচন্দুনা করমা মাই পাকখি হায়বা ৱারোল কয়াসু য়াওরি । ইপিসোদ অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংনা মখোয়না শিংনবা কয়া মায়োকদুনা পরিক্ষাদা কমদৌনা মাই পাকপা ঙমবা হোৎনবগে হায়বগী ৱারিশিংসু য়াওরি।

অমরোমদা, পরিক্সা পে চর্চাগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগা লৈবাক অসিগী শকাইরবী বোক্সর মেরিকোমগা উনদুনা ৱারি শান্নখি অমদি মহৈরোইশিংগী পুকিং থৌগৎখি। পি.এম নরেন্দ্র মোদিগী য়ু.ট্যুব চেন্নেলদা থাগৎলকপা থৌরম অদুদা, মেরিকোমনা অসুমা ফোঙদোকখি-

**--সাউন্দ বাইট--মেরিকোম**

**ধনখর ঃ** উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি-মীয়ামা লৈবাক অসিগী চাওখৎ লম্বীগী ৱাখল্লোন মাঙদা থমদুনা লৈবাক্কী ওইবা কন্নবা থৌশিলশিংদা মীৎয়েং থন্বীনবা হায়রি।

মোহালিগী নেসনেল এগ্রি ফুড এন্দ বাইও মেন্যুফেকচরিং ইন্সটিট্যুটতা এদভান্স ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কেম্পস শঙ্গারদুনা

উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৌমীগী মচা অমা ওইনা মহাক লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী মীয়ামগী মরুওইবা শিনফম অসি লৌউ শিংউবনি হায়বসি মহাক খঙই। লৈবাক অসিবু চাওখৎহনগে হায়রবদি খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মীয়ামা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ। চাওখৎপা লৈবাক অমা হায়বসি ঐখোয়গী মঙলান নত্তে, মসি ঐখোয়গী পান্দমনি। মহাকা হায়- খুঙ্গংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবগীদমক্তা লৌউ শিংউ অমসুং শঙ্গোমগী পোত্থোকশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংবা তঙাইফদে। মসিনা লৈবাক অসিনা মরোমদোম লেপচবা অমসুং মচি ওইবা পোত্থোক পুথোকপদা মতেং পাংগনি। লৌমীশিংনা অনৌবা টেকোলোজিশিং শিজিন্নদুনা হেন্না পোত্থোক পুথোকবা হোৎনরশি হায়নসু উপ-রাস্ত্রপতিনা আপিল তৌরি।

**ধরমেন্দ্র ঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়রি- নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসিগী মখাদা অনৌবা নিয়ম অনি অমসু হাপচিল্লে। মসিনা থবক থিরিবা মীওইশিং অমসুং থবক পীরিবা মীওইশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

নিউ দিল্লিদা, দিল্লি য়ুনিভর্সিতিগী হিন্দু কলেজগী ১২৬ শুবা ফাউন্দরস ডে থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী নহাশিংনা শেল থুমগী লমদা মীপাল তাংদনা অমসুং নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমদা হিংনবগীদমক শেনদান লন্বীগী থবক তৌবা হায়বসি তঙাইফদে। শ্রী প্রধান্না হায়- অনুসন্ধান নেসনেল রিছার্স ফাউন্দেসনগী মখাদা নহাশিংদা শেন্থং কয়া পীথনবা থৌরাং তৌরে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রসিদেন্ট রুল থমখ্রবা মতুংদা গভর্ণরনা অহানবা ওইনা সেক্রেটরিয়েটতা হাই লেভেল মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অতোপ্পা পাউচেশিংদসু ফোঙনরি।

পার্মৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী কেম্প অনী শানবা এম.ঐচ.এনা অয়াবা পীরে হায়না সনালৈবাক্তা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কোকোমিদা গভর্ণরনা মীচং মীখায় নাইদনা শান্তি পুরকবা হোৎনবগী থাজবা পীরকখ্রে। মীয়ামদা অৱাবা লৈহন্দনবা গভর্ণরনা খঙহনখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ঐচ.এস.এল.সি এগজামগীদমক শেম শাবা লোইরে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এগজাম সেন্তর ১১২ দা মহেরোই লিশিং ২৯,০৬৫ না শরুক য়াদুনা ক্লাস টুয়েল্বকী এগজাম হৌখ্রে হায়না ইচেল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

জি.পি.ৱিমেন্স কোলেজকী দাইমন্দ জ়বিলি পাঙথোকখ্রে হায়না নহারোল থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

তেংনৌপলদা পোপী য়ান্থৎখিবগী পাউ অমা মণিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা চহী ১৫ গী মমাঙদা আই.এমনা হাৎখিবা কিসন, তোকেন অমসুং রাজেনগী নিংশিং কুমওন পাঙথোক্তুনা লৈ শু কৎখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ৱার্কিং কম্মিতি ওফ নাগা নেসনেল পোলিতিকেল গ্রুপনা এন.এস.সি.এম.আই.এমবু ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা মুকরক্লে হায়না পীপলস ক্রোনিকলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসিগী সব-হেদলাইন ওইনা ১৯৫১ গী প্লেবিসাইটতা মণিপুরগী নাগা অমত্তনা শরুক য়াখিদে হায়রিবা ৱাফম অসি এন.এস.সি.এম.আই.এমনা লুমা লৌদে হায়না দব্লিয়ু.সি-এন.এন.পি.জিনা মরাল শীরক্লি।

চিফ সেক্রেটরিনা চুরাচান্দপুরদা চৎলুবগী পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

তামেংলোংদা মহৈরোই ৬৩০ না এগজাম সেন্তর অহুমদা ঐচ.এস.এল.সিগী পরিক্ষা থারগনি হায়না গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নোনেগী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নরনা লোংমাই ভারত গ্যাস ভিত্রক গোদাউন অমা ঙরাং দোলাং ভিলেজতা শঙ্গাখ্রে হায়না তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেনাপতি জিলাগী ওইনা ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষাদা মহৈরোই লিশিং ১,৩৫৫না তোঙান তোঙানবা সেন্তর ৪ দা কাউন্সিলগী পরিক্ষা থারগনি হায়না সেনাপতিগী হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**